# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-01-2025)**

**তমেংলোং(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ ইম্ফাল-মহুর রোড শেম্বগী থবক য়াংশিল্লক্লি। লম্বী শেম্বগী থবক হেক লোয়বগা গুৱাহাতি য়ৌবদা পুং ৮ রোমতমক চংল্লগনি।

তমেংলোং কেন্দ্রগী এম.এল.এ. জংহেমলুং পানমৈনা লম্বী শেম্বগী থবক অদু য়েংশিনখিবগা লোয়ননা খোংজেল য়াংনা থবক পায়খৎলম্বগী মতাংদা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমবু মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা অপেনবা পোল্লদুনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

এম.এল.এ. জংহেমলুং পানমৈনা থাগৎলকপা ৱারোল অদুদা হায়-লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎলিবা কম্পানি অমদি থবক শুরিবা শিন্মীশিংবু তঙাইফদবা মচাকশিং মতম চানা ফংহনবদগী থবকশিং অসি খুমাং য়াংনা চংশিল্লকখিবনি। নেসনেল হায়ৱে অসি শেম্বা হেক লোয়বগা রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহল্লগনি। মসিগীসু মথক্তা লৈবকা অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম ঙাকপদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। লম্বী অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা মীপুম খুদিংমকা মতেং পাংবীনবসু এম.এল.এনা আপিল তৌখি। লম্বী অসি শেমবা হোৎনবদা কেন্দ্র সরকারনা লৌরকখিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী মন্ত্রি-অমিত সাহ অমদি নিতিন গদকারিবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-রাজ্য অসিগী মফম ১০৬ তা চ্যেক পোইন্ট হাংদুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। চুরাচান্দপুর জিলাগী মাতা

খুলদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মীওই অনিদগী ব্রাউন্দ সুগরনি চিংনবা সাপোন কেপ ২০৮, ডব্লিয়ু.ৱাই. টেব্লেট লাখ অমা লিশিং ৭৩, শেল ওইনা লুপা লাখ অহুম লিশিং ৩৭,৫০০ অমদি চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎপা ঙমখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা মখা তানা থিজিন্নবা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

অমরোমদা, নেসনেল হায়বে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা মাল পুবা গাড়ি ৩০১ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা মাল পুবা গাড়ি ১৪৫ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে।

**নোনে (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী মনুং চনবা অৱাং খুল পার্ট ৱানদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা মীওই অমা লৈখিদ্রে। থৌদোক অদু নোনে পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লোংচুম হায়নসু খঙনবা মফম অদুদা থোকখিবনি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-ইম্ফালোমদগী লাকপা ইঞ্জাং-নাপী পুবা গাড়ি অদু থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মথক মখা ওনখি। মদুদা, গাড়ি অদুদা তোংলকপা মীওইশিং অশোক অপন নংখিবগা লোয়ননা নোনে পি.ঐচ.সিদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। তুংদা মখা তাবা লায়েংবগীদমক ইম্ফালগী রাজ মেদিসিতি হোস্পিতালদা পুখৎলকখি। অদুবু, অশোকপশিং অদুগী মনুংদা মীওই অমদি কা হেন্না শোকপদগী হোস্পিতালদা লৈখিদবনি হায়রি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল মোনিটরিং কমিতিনা শিনদুনা ঙরাং জিমপালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমনা ফমুং ৫০ লৈবা জিরিবাম হোস্পিতালগী মতাংদা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-মীফম অদুদা লৌখিবা মরুওইবা ৱারেপশিংগী মনুংদা হৌজিক মোনিটরিং কমিতিনা হোস্পিতালগী

অৱাৎ অপাগী মতাংদা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা অতৈ লুপ কয়ানসু শৌগৎপগা লোয়ননা লাক্লিবা থা অসিগী ১৯ দগী হোস্পিতাল অসিবু মতিক চাবা হোস্পিতাল অমা ওইহন্নবা জিরি মীয়ামগী অপুনবা খোঙজং চংশিনবা হায়না লেপখি।

মীফম অদুদা জিলা অসিগী মৈরা পায়বী লুপশিং, সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিং অমদি কাংলুপকী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

**গ্লোবেল (এল)ঃ** ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়, এন.এফ.দি.সি. অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নরগা খুৎশমদুনা গ্লোবেল সেপরস কম্ম্যুনিতি ইম্ফাল হফনা শিনদুনা ঙরাং হোপ ইন মোসন, হিল্লিং থ্রু ফিল্ম হায়বসিদা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু লাইরিক তম্লিবা অঙাংশিংনা ফিল্মগী মতেংনা মখোয়গী থম্মোয়দা লৈরিবা অৱাবশিং কোকনবগী পান্দমদনি।

**চান্দেল (এল)ঃ** মোয়োন নাগা বেপটিস এসোসিয়েসননা শিনদুনা অহানবা ত্রাইনিয়েল ফেলোসিপ কম স্পোর্টস মিট হৌখ্রে। নুমিৎ মঙানি চুপা চথুগদবা মিট অসিদা এসোসিয়েসন অসিগী মনুং চন্না লৈবা চর্চ ১০ গী মেম্বরশিং শরুক য়াগনি।

মিট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট- রেভরেন্ট ডা: লোঙম চারানা মোনোমেন্ট মায়খুম হাংদোকখি। মিট অসিগী মনুং চন্না পাঙথোক্কদবা ফেলোসিপ প্রোগ্রামদা শকাইরবা মীওই অহুমনা ৱা ঙাংগনি। শান্ন খোৎনবা, ঈশৈ চাংদমবা, অঙাংশিংগী ওইবা থৌরমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং মিট অসিগী মনুংদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**আইটঃ** কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারিশিং অমসুং পেন্সনরশিংদা ৮ শুবা পে কম্মিসনননা শেম শারগনি।

কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা হায়-হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা তরেৎশুবা পে কম্মিসন অসি ২০২৬ তা লোয়রগনি। মরম অদুনা ৮ শুবা পে কম্মিসন অসি চৎননবা শেম শাবগী মতম মরাং কায়না ফংল্লগনি। মহাকা হায়-মসিগীদমক চেয়ারমেন অমসুং মেম্বর অনি লৈবা কম্মিসন অমা শেল্লগনি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-৮ শুবা পে কম্মিসনগী থৌরাং অসিনা মীয়ামগী হিংবগী পুন্সিদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙম্লগনি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা সরকারগী কর্ম্মচারিশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**মাওইষ্টঃ** ছাতিসগরদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মাওইষ্টশিংগা খুৎ থোকবদা মাওইষ্ট ১২ শিরে। থৌদোক অসি ঙরাং রাজ্য অসিগী বিজাপুর জিলাগী তেলঙ্গানাগা লোন্নবা খা থংবা বাস্তরগী উমংদা থোকখিবনি।

সি.আর.পি.এফ, কোব্রা বটালিয়ন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্ডকী অপুনবা কাংবু অমনা উমং অদুদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদুদা মাওইষ্টকী মীওইশিং লৈরে হায়বগী অকক বা পাউ অমা ফংবদগী মফম অদদা চংশিনদুনা থিবা হুন্বগী থবক চত্থখিবনি। বাস্তর রেঞ্জকী আই.জি.পি. অমসুং সি.আর.পি.এফকী আই.জিনা পুন্না ফিভম অসিবু কুপা য়েংশিল্লি। পুলিসকী পাউনা হায়-থৌদোক অসিদা মাওইষ্টকী মায়কৈদা অমাং অতা থোক্লে হায়বা খঙলে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

জিরিবামদা দ্রগ অমসুং খুৎলায়গা কোন্ননা ফাখিবা মার মিলিটেন্ট অদু যুম থুগায়বগী অমুক পুলিসনা ফাগৎখ্রে। ম্যান্মার-বঙ্গলাদেস আমর্দ স্মগলরশিং মিজোরামদা ফাগৎখ্রে হায়বা বেন্নর হেদলাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলক্লি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলক্লি।

অনিশুবা হেদলাইনদা নেসনেল রোড সেফতি মন্থকী মতাংদা মেদিয়া সেন্সিটাইজেসন পাঙথোকখ্রে। ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অসি য়ামা টেকিকেল ওইবা বিভাগনি হায়না ফোংবা থেংনরে।

ষ্টেট অসিনা শিংনবা কয়া মায়োকরবসু চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদি খুমাং চাউশিল্লি। মনিপুরগী মীশিং ইন্দিয়াগী অপুনবা মীশিংগী চাদা জিরো পোইন্ট টু ওইরবসু এম.এস.এম.ই. সেক্তরদদি চাদা জিরো পোইন্ট থ্রি য়ৌরে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর ন্যুজতা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিংদা যুম্ফম ওইবা হেদলাইনশিং তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদসু হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি।

পোকফমদা-ইরাং অসিগী কোর ইশু পোলিটিকেলগী থাক্তা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকপা য়াবা ঙাক্তনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মোরনিং বেলদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেস অমদি সনা লৈবাক্তনা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি য়ুমথংনরিবা নাগালেন্দ খাইবোক তাদুনা ফ্রন্টিয়ার নাগালেন্দ টেরিটোরি শেমগদৌরব্রা ? ফ্রান্টিয়ার নাগালেন্দ টেরিটোরিদা ইগজ়িকিটিব লেজিসলেটিব অমসুং ফাইনান্সিয়েল

ওটোনোমি পীবদা য়ুনিয়ন লৈঙাকা য়ারে হায়বা ই.এন.টি.ওগী ৱাফম ফোংলক্লি। পাউ চে অসিগী অনিশুবা হেদলাইনদা রিং রোডকী মতাংদা কিয়ামগৈ পল অহনবীদগী ৱাইখোং খোঙনাং ফাওবগী জে.এ.সিনা হায়-রিং রোডকী থবক্তা মতেং পাংগনি। অদুবু, লন্নাই মীওই খরনা অথিংবা পীরক্কনু। হনজিন্না সর্ভে তৌগনু হায়না ফোংলক্লি।

ঙমখৈ শম্বল খাবগা মরী লৈননা থোরকপা অফ-ফত্তবা দায়ত্ব পুমমক কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা পুগদবনি হায়না য়ু.এন.সিনা থম্লকখিবা ৱাফম হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মরিশুবা তংমৈ চিলড্রেন ফেষ্টিবেলদা অঙাং লিশিং কয়া শরুক য়াখ্রে। মমা-মপাশিংনা হায়বা ইনগদবনি হায়না তমেংলোং দি.সিনা আপিল তৌখ্রে হায়বা ৱাফম অসি গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইননি।

পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতনা চিলড্রেন ফোর খ্রাইস্ত, নো চাইল্ড লেপ্ত আউট হায়বা হীরমদা রোংমৈ চর্চশিংগী ওইবা মরিশুবা অঙাংশিংগী কুম্মৌ তমেংলোং হেদক্কাটরদা হৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।